HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মল্টিপর্পজ হোলদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এস ওশিং অমসুং দি এল ওশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা গভর্ণর লা গনেসননা ৱা ঙাঙখিবা


সাইনস ইনফেক্সন (সাইনসাইটিস) মসি করিনো, লাইওংশিংনা করিনো …
☛ লামায় ২

দি এল এস এশিংনা দিসএবিলিটি নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

মহৈরোয়শিংনা লম্বী থীংদুনা ঈরাং হৌরকখ্রে
☛ লামায় ৬

চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ওমিক্রোন শন্দোরকপা থেংনরে
☛ লামায় ৮


হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেগী দাইনাষ্টি হোলদা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন শগোলশেম অচৌবনা হেন্দলুম গর্মেন্টস অমসুং ঈ-কেটলোগ হৌদোকখিবা




Vol. 45, Issue No. 249 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, December 04, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50



গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৩৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৮.৪২°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

**HL Poll**

Q: Congress amasung BJP onsinnaduna cheinaribasi 2022gi electionda vote yamna fangnabani haiduna khanbadagi oiramgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Speakergi Tribunalna disqualification proceeding election mamangda mapung fana pangthokpa ngamgani thajabra?

Yes 17% No 83%

**অস! লোইরেহে!**

- লায়রবগী লন থুম মখোয়না হুরানবদি হুরানবা চিংদে।



- ইনাক খুনবগী লন লায়রবনা হুবদি হুরানবা চিংই, তাদা!

# পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা শুংলৈ লৈতবা ষ্টাফ ১গী মীংদা চহী ৪ রোমগী তোলোপ কায়থোকখ্রবরা

## মশা লৈতবা মিংদা কায়থোকখিবা য়াল্লবা তোলোপকী শেনফম কদাইদা চংখ্রবগে হংনরক্লে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংদা হেক হেক থোকপা অঙকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মেজর দিপার্টমেন্ট অমসু ওইরিবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) দা মশা শুংলৈ লৈতবা মীওই অমগী মীংদা মঙোন্দা এন্টাইটল তৌবা দেগিজনেসনগী পীফম থোকপনি হায়দুনা থাগী তোলোপ লুপা ৬,৯৭৫গী শেনফম হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা চৎলিবা চহী অসিগী জুন ফাওবা শাংলবা চহী ৪ রোমগী তোলোপশিং কায়থোক্লক্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা ওফিসল দোকুমেন্টশিংদা য়ূম্ফম ওইবা পাউনা হায়বদা লোয়শঙ অসিদা মশা শুংলৈ লৈতবা মীওই অদুগী মমিং 'সী ঐচ তুলচন্দ্র' কৌই হায়রি।

মমিং অসিগী এদ্রেসনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈরাও সব দিভিজনগী মনুং চনবা অন্দ্রো ৱার্দ নম্বর ৩ খুমন লৈকায়নি হায়দুনা পল্লি হায়রি। অদুগা মশা ওইনা লৈতবা মিং অসিনা থবক তৌদুনা লৈরি হায়রিবনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজনগী এগজিকু্যটিভ এঞ্জিনিয়র (ঈ ঈ) গী মখাদনি। মীওই অসি লোয়শঙ অসিগী মষ্টর রোল এমপ্লোয়ীশিংগী মনুংদা ও/মজদুর ওইনা থবক তৌবগী লিষ্টতা য়াওহনবা মমিংনি হায়রি।

অদুগা 'সী ঐচ তুলচন্দ্র' হায়রিবা মশা শুংলৈ লৈতবা মমিং অসিগীদমক্তা লোয়শঙ অসিগী মায়কৈদগী হৌখিবা …*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# গভর্ণরনা জিরিবামগী মীয়ামদা ওমিক্রোনগী মতাংদা চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা থবক পুবা হৌরকখিবদগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়া শিনবা থুংনা চৎলক্লিবা গভর্ণর লা গনেসননা ঙসি তেল্লবা পুং ২ খক্কী মতম ওইরবসু ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চিদাইদা লৈরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা মফম অদুগী সী এস ওশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংগা হকথেংননা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা ওমিক্রোনগী মতাংদা জিরিবামগী মীয়াম্না চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে।

সী এস ও অমসুং দি এল ওশিংগা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা গভর্ণরনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন চাদা ১০০ য়ৌনা কাপথোকপা ঙমখিববু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক নৌনা থোরক্লিবা ওমিক্রোনগী মতাংদসু চেকশিন্নবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা পূন্নমক্কী মফমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টপু লূ-নান্না থম্নবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিবু 'ক্লিন এন্দ গ্রীন' ওইহনবদা অমগা অমগা মতেং পাংননবা আপীল তৌখি।

গভর্ণরনা অথাপ্পা মফম অমা ওইরিবা জিরিবামনা লিটরেসি রেটতা চাদা ৮৮ য়ৌবা ঙম্বগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বোর্দরদা ফেন্সিং তৌদ্রবসু জিরিবামনা ইন্সর্জেন্সিগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে হায়বদসু নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মীওই লিশীং ২৩ য়ৌদনা লৈবা লৈবাক অসিগী টাউনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জিরিবামনা খ্বাইদগী লূ-হেনবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইবগীদমকসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মীপূম খুদিংমক্লা অফবা থবকশিং তৌবগা লোয়ননা খুন্নাই অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা শরুক য়াগদবনি হায়খি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা গভর্ণরনা ত্রাইবেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পায়খৎলক্লিবা বনধন যোজনানচিংবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং লৌদুনা লাইফ ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা ফাওবা লৈরিবা স্কিম অসিনা মীয়ামগী ইনকম হেনগৎহন্নবগীদমক মগুণ লৈবা পোত্থোকশিং পুথোক্লবা খঙহনখি। মসিগীদমক মীয়াম্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংগী মনাক্তা চৎতুনা মণিপুরবু চাওখৎহল্লক্লিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা কুপ্না …*মখা লামায় ৩ কলম ২*





# চীং চাওখৎহনবনা ফুরুপশিংগী অফবা মরী পুরক্কনি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু তম্পাক্কী শরুকশিংগুম্না ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অফবা মরী লৈনহল্লকপা ঙম্বদা নত্তনা অমনা অমবু ইকায়খুম্নহল্লক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ সব দিভিজনগী কুইলোং পার্টৱানদা ঙসি পাঙথোকখিবা আউটরিচ প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, তমেংলোংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং য়ূমথোঙ খুদিংদা ফংহন্নবনি হায়রি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মহাক্না লুচিংলক্লিবা লৈঙাক অসি লিংলকপদগী মণিপুরবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা পান্দম মতম চূপ্পদা থমদুনা লাকখি। মসিনা মরম ওইরদুনা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলে। মসিগী মনুংদা বেহিয়াংদা পুলিস ষ্টেসন অমা হাংদোক্লে, তুংজোই অমসুং জুকো ভেল্লিদা সিক্যুরিটি বেরেকশিং শারে অমসুং জিরিবামদা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকশেন্নবগীদমক এন্ট্রি গেট অমসু শাগৎলে হায়খি।

চাওখৎপগী লম্বীদা খ্বাইদগী শোঙনা লৈরম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ঙসিদি অকক্লবা সেক্টর খরদা চাওখৎলে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কুইলোংগা অতোপ্পা মফমশিংগা শম্নরিবা লম্বী থোংগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক সেন্টরদা কাংপোকপীদগীনা তামৈ অমসুং তামৈদগীনা কুইলোং ফাওবগী লম্বী …*মখা লামায় ৩ কলম ২*




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যোর নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫